# অকনবা লাইওং চেন্দবা কোভিদ পেসেন্টশিং নুমিৎ ১০নি হোম আইসোলেসন তৌরবদি টেষ্ট তৌদ্রবসু য়াই: অনৌবা গাইদলাইন্স

ন্যু দেল্লী, মে ০৬ (এজেন্সী):
যুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা অকনবা লাইওং চেন্দবা নৎত্রগা লাইওং অমত্তা চেন্দবা কোভিদ পেসেন্টশিং হোম আইসোলেসন তৌবগী রিভাসস গাইদলাইনশিং ইস্যু তৌখ্রে।

অনৌবা রিভাইস গাইদলাইনশিং অদুনা হায়, হোম আইসোলেসনদা লৈরিবা পেসেন্টশিং লাইওং উৎপা হৌরকপা নুমিত্তগী (নৎত্রগা লাইওং চেন্দবা কেসশিংগীনা সেম্পল লৌখিবা নুমিত্তগী) য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০নিগী মতুংদা আইসোলেসন লোইগনি অমসুং দিসচার্জ তৌবগা মান্নগনি। পেসেন্টশিং নুমিৎ হুম্নিদি ফিভমর লৈতবা ওইগদবনি। হোম আইসোলেসনগী মতম লোইরবদি টেষ্ট তৌবগী মথৌ তাররোই।

রিভাইস গাইদলাইনশিংদুগী মতুং ইন্না, পেসেন্ট অদু ট্রিটমেন্ট তৌরিবা মেদিকেল ওফিসর অদুনা অকনবা লাইওং চেন্দবা নৎত্রগা লাইওং অমত্তা চেন্দবনি হায়বসি সর্টিফায় তৌগদবনি। লাইওং চেন্দবা কেসশিং লেবোরেটরিদা লাইওং অমত্তা চেন্দ্রে অমসুং ওক্সিজেন সেচ্যুএসনগী চাং রূম এয়রদা চাদা ৯৪দগী হেল্লি হায়বসি কনফর্ম তৌবা ওইগদবনি।

দোক্তরনা ইগজামিন তৌরবা মাইল্ড কেসশিং হায়বদি অপ্পর রেস্পিরেটরি ট্রেক্টকী লাইওংশিং (ফিভম য়াওরবসু য়াওদ্রবসু) চেনবা ওইরবসু শ্বর হোনবা ৰাবা ওইরোইদবনি অমসুং ওক্সিজেন সেচ্যুএসনগী চাং হোম আইসোলেসন্দা রিক্কমেন্দ তৌরিবা রূম এয়রদা চাদা ৯৪দগী হেনগদবনি।

গাইদলাইনশিং অদুনা মখা তানা হায়, ক্যোরগিভর অমনা ২৪×৭ চুপ্পা ক্যোর পীগদবনি অমসুং হোম আইসোলেসন মনুংদা ক্যোরগিভর অমসুং হোস্পিটালগী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওনগদবনি।

চহী ৬০ দগী হেল্লবা অহল ওইরবা অমসুং হাইপরটেন্সন, দাইবিটিস, হার্ট দিজিজ, ক্রোনিক লিভর/লং/ কিদনি দিজিজ সেরিব্রো-ভাস্কুলর দিজিজগুন্না কো-মোর্বিদ কন্দিসনশিং লৈবা পেসেন্টশিং মেদিকেল ওফিসর অমনা নীংথিনা চেক তৌরবা মতুংদা হোম আইসোলেসন তৌহনগদবনি।

ট্রিটমেন্ট প্রোটোকোলশিংগী মতাংদা রিভাইস গাইদলাইন অদুনা হায়, পেসেন্টশিংনা হৌজিক হৌজিক লায়েংবগী থবক তৌরিবা ফিজিসন অমগা পাউ ফাওনগদবনি অমসুং হকচাং শোকচিল্লকপগী মওং লৈরবদি থুনা রিপোর্ট তৌগদবনি। করিগুম্বা নোংমদা এম জি ৮৫০গী পেরাসেটামোল টেব্লেট মরিরক পীবদা ফিভম লাকশিনবা ঙমদ্রবদি লায়েংলিবা দোক্টর অদু তানগদবনি। মহাক্না নন-ষ্টেরোইদেল এন্টি-ইনফ্লেম্মেটরি ড্রগ (এন এস এ আই দি)শিংগুম্বা অতৈ দ্রগশিং শীজিন্নবা পাউতাক পীরকপা য়াই।

রেমদেসিভির নৎত্রগা অতৈ ইনভেষ্টিগেসনল থেরাপি শীজিন্নবগী ৰারেপ মেদিকেল প্রোফেসনল অমনা লৌগদবনি অমসুং হোস্পিটালখক্তদা শীজিন্নগদবনি। হোম আইসোলেসনদা লৈবশিংনা রেমদেসিভির শীজিন্নবা হোৎনরোইদবনি।

গাইদলাইনশিংদুগী মতুং ইন্না, করিগুম্বা অরুবা খুদম-চাংদমশিং নৎত্রগা লাইওংশিং উৎলক্লবদি হোম আইসোলেসন্দা লৈরিবা পেসেন্ট অমনা খুদক্তা মেদিকেল ক্যোর লৌগদবনি। অরুবা লাইওংশিংগী মনুংদা শ্বর হোনবা ৰাবা, ওক্সিজেন সেচ্যুএসনগী চাং হন্থরকপা, থবাক্তা লেপ্তুনা নাবা অমসুং ৰাখল চমন্নবা অসি য়াওই।



# মীখল মতুং ঈরাংগী মতাংদা থীজিন্নবা এম ঐচ এনা মেম্বর ৪গী টিম শেমখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৬ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি মীখল মতুংদা থোক্লকখিবা ঈরাংগী মতাংদা থীজিন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা মেম্বর মরিগী টিম অমা শেমখ্রে। মিনিষ্ট্রি অসিগী এদিসনল সেক্রেটরি অমনা লুচিংবা টিম অদু ৱেষ্ট বেঙ্গল পাংখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি অসিনা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টতা রিমাইন্দর অমা থাদুনা মীখল মতুংদা থোক্লকখিবা ঈরাংগী অকুপ্পা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কবা অমসুং মতম মাঙহনবা তৌদনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং লেপহন্নবদা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা খঙহনখি।

ওফিসলশিংনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোরকপদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখল মতুংগী ভাইওলেন্সকী মরমদা থীজিন্নবা অমসুং ঈরাংদুগা মরী লৈনবা ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম খঙদোক্লবগীদমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা মেম্বর মরিগী ফেক্ট ফাইন্দিং টিম অমা শেল্লে।

করিগুম্বা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীখল মতুংগী ভাইওলেন্সকী অকুপ্পা রিপোর্ট পীরক্ত্রবদি অমসুং অথুবা মতমদা ঈরাং থিংনবগী থৌরাংশিং লৌখৎত্রবদি থৌওং অদু হকচিন্না লৌগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ৱার্নিং তৌখি। মীখল লোইরবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফাওবদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা ঈরাংশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখ্রে।

এম এস সীনা শৌগৎপা অকল-অরিং শিংবা লাক্ল-ফানবা ৰারবা মীওইশিংনা বি জে পিগী ৱর্কর কয়া হাৎখ্রে। নুপী মেম্বর কয়া এটেক তৌখ্রে, য়ুম কয়া মাঙহন-তাকহনখ্রে। লোয়ননা পার্টিগী মেম্বরশিংগী দুকানশিং লূট তৌখ্রে অমসুং পার্টিগী ওফিসশিংদসু অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে হায়না বি জে পিনা মরাল শীরি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখল মতুংগী ভাইওলেন্সতা য়ামদ্রবদা বি জে পিগী ৱর্কর ১৪ হাৎখ্রে অমসুং মীওই লাক্ষ অমরোম ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেনখ্রে হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দানা হায়রি মদুদি চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা তূমিন্না লৈরিবসিনা মহাক ঈরাং অসিদা চেন্নে হায়বা তাকই।

অমরোমদা, বেনর্জিনা চার্জশিং অসি রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মীখলদা বি জে পিগী কেন্দিদেটশিংনা মায় পাকপা মফমশিংদসু অসিগুম্বা ঈরাং থোকই হায়খ্রে।



# পুদুচেরিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লৈরগনি

পুদুচেরি, মে ০৬ (এজেন্সী):
অহুল্লক চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রবা ওল ইন্দিয়া এন আর কোংগ্রেস (এ আই এন আর সী)কী প্রসিদেন্ট এন রঙ্গস্বামি ইরাই নুমিত্তা পুদুচেরিগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

রঙ্গস্বামিগী লীচিং মখাদা এন দি এনা পুদুচেরি এসেমব্লি মীখলদা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। চীফ মিনিষ্টরগী ৱাশক লৌগদৌরবা রঙ্গস্বামিনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমা থমগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না হায়খি, ঐখোয়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমা লৈহনবা পাম্মী। সেন্টরনা মদু প্রপোজ তৌরক্লবদি শোয়দনা খন্নগনি। য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুদুচেরিদা মমাঙদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমুক্তা লৈখিদ্রি।

হন্দক্কী গভর্ণমেন্ট অসিদা বি জে পিগী লুচিংবা নামাসিভয়াম্বু ফম অসি পায়হন্নবা খন্নরি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোক্লি। এন আরগী কেবিনেটতা চীফ মিনিষ্টর অমদি এন আর সী অমসুং বি জে পিগী মেম্বর ৩/৩ য়াওনা পূন্না মেম্বর ৭ লৈবা য়াই।

বি জে পিনা জোন কুমারবু এন আর গভর্ণমেন্টতা মাইনোরিটিশিং রিপ্রজেন্টে তৌবা মিনিষ্টর ওইহল্লবা য়াই। বি জে পি পুদুচেরি লীদরশিপকী মতুং ইন্না মিনিষ্টর ওইগদবা পার্টিগী অতৈ মীওইশিংগী মিং কোন্না লেপকনি। পার্টিনা এন দি এ গভর্ণমেন্টতা মিনিষ্টর ওইগদবশিংগী মিংশিং ফাইনেলাইজ তৌই। দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমা হাপ্পা য়াবগী ফিভম লৈ। পুদুচেরিদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর থম্বা হায়বসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইগনি হায়না বি জে পি পুদুচেরিগী প্রসিদেন্ট সামিনাথননা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

# হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অজিত সিংহ কোরোনা ইনফেক্সন্দগী লৈখিদ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ০৬ (এজেন্সী):
হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং রাস্ত্রিয়া লোক দল (আর এল দি)গী চীফ অজিত সিংহ কোভিদ নাবদগী শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্তা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৮২ শুখ্রে।

অজিত সিংহ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইদুনা গুরুগ্রামগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লায়েংখি। অজিত সিংহ হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর চৌধরি চরন সিংহগী মচানুপানি। মহাক গভর্ণমেন্ট কয়াদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইখি। হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হান্নগী কোংগ্রেস চীফ রাহুল গান্ধি অমসুং বি জে পিগী চীফ জে পি নদানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা মহাক্কী মচানুপা জয়েন্ত চৌধারিনা হিন্দিদা ইবা ট্বিট অমদা চৌধারি সাহিব লৈখিদ্রে হায়খি। লৈখিদ্রবগী ইমুংনা থোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, চৌধারি অজিত সিংহ এপ্রিল ২০দা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। মহাক্ন অরোইবা মীকূপ ফাওবদা লায়না অসিগা লান্থেংনখি অমসুং ঙসি অয়ুক হায়বদি কুমজা ২০২১গী মে ৬তা অরোইবা য়াহিপ তানখি। মহাক্কী পুন্সিগী খোঙচৎ পূম্বদা চৌধারি সাহিবপু মীয়াম্না পাম্নখি অমসুং ইকায় খুম্নখি। মহাক্নসু মীয়ামগা লোয়নজবা পামজখি অমসুং মীয়ামগী য়াইফন্নবগীদমক্তা মতম পূম্বদা হোৎনখি।

কোভিদ প্রোটোকোলশিংগী মতুং ইন্না মীয়াম্না লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিদা য়ুমদগী ইকায় খুম্নবা উৎপীয়ু হায়না ইমুং মনুংনা আপীল তৌখি। ঐখোয় খূদিংমক অমসুং লৈমিন্নরিবা পূম্ববু হকচাং ফনা অমসুং অশোয় অঙাম য়াওদনা লৈনবগীদমক্তা ঐখোয়গী সেফটি প্রোটোকোল পূম্নমক ঙাক্কদবনি। মসিনা চৌধারি সাহিব অমসুং কোভিদ ৱারিয়রর পূম্নমকপু ইকায় খুম্নবা উৎপা খ্বাইদগী ফবা লন্বী ওইগনি।

লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা লৌমীশিংগীদমক্তা থৌরাং কয়া পায়খৎলমখি। সেন্টরদা মহাক্না তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্টশিংদা মরু ওইবা থৌদাং কয়া পুখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

আই আই টি খরাগপুর অমসুং ইলিনোই ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি এলম অমা ওইরিবা অজিত সিংহ কয়ারক হন্না মীখলদা মায় পাকখি অমসুং ভি পি সিংহ, পি ভি নরসিমহা রাও, অতল বিহারি ভাজপায়ি অমসুং মনমোহন সিংহনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টশিংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইখি।

# ঈ সীনা ট্রান্সফর তৌখিবা পুলিস ওফিসরশিং মখা তানা হঞ্জিলহনখ্রে

কোলকটা, মে ০৬ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী অহুমশুবা টর্মগী ওফিস পায়বা অহানবা নুমিৎ য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরশিং ফম হোংদোক হোংজিন তৌবগা লোয়ননা হন্দক্তা লোইশিনখিবা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি মীখল মনুংদা ইলেক্সন কম্মিসন্না ট্রান্সফর তৌখিবা পুলিস ওফিসরশিং মখোয়গী হান্নগী পোজিসনশিংদা হঞ্জিলহনখ্রে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না হান্নগী মফমশিংদা হঞ্জিলহন্নবা অৱাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসরশিংদুগী মনুংদা দিরেক্টর জেনরেল বিরেন্দ্র, এ দি জি (লো এন্দ ওর্দর) জৱেদ স্বামিন অমসুং দি জি সিক্যুরিটি বিবেক সহয়নি।

এপ্রিল ১০দা সিটালকুচি কন্সটিট্যুএন্সিদা ভোট থাদনরিঙৈ মনুংদা সী আই এস এফনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই মরি শিখিবা কুচবেহার দিষ্ট্রিক্টকী এস পি দেবাশিস দারসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সস্পেন্দ তৌখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা থীজিন্নবা বেনর্জিনা সী আই দিদা ওর্দর তৌখ্রবনি।

দারগী মহুৎ কে কানননা শিলহনখি। মহাক মীখল মনুংদা ও সী দব্লিয়ু (ওফিসর-ওন-কম্পলসরি-ৱেটিং)দা থাখি।

ঈ সিনা ট্রান্সফর তৌখিবা বিরেন্দ্র মহাক্কী হান্নগী ফমদা হঞ্জিলহনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মহুত্তা দি জি ওইহনখিবা নীরাজ নায়ন পান্দেবুনা হৌজিক দি জি (ফায়র সর্ভিস) ওইহনখ্রে।

অসুম্না, এ দি জি (লো এন্দ ওর্দর) জগমোহন সিভিল দিফেন্সতা ট্রান্সফর তৌখ্রে অমসুং লেফকী রেল্লি মনুংদা পুলিসনা কা-হেনবা থৌওং চথখিবগী মরালদা ঈ সিনা ট্রান্সফর তৌখিবা জাবেদ শামিম অমুক হন্না এ দি জি (লো এন্দ ওর্দর) ওইহনখ্রে।

তোঙানবা ওর্দর অমদা চীফ মিনিষ্টরগী সিক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টতা অশোয়বা লৈহনখি হায়রদুনা পোল পেনেল অসিনা ট্রান্সফর তৌখিবা হান্নগী দি জি সিক্যুরিটি বিবেক সাহয়সু মহাক্কী হান্নগী ফম পায়হনখ্রে। পনবা য়াবদি মীখল মনুংদা পুর্ব্ব মোদিনিপুর দিষ্ট্রিক্ততা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা চীফ মিনিষ্টর বেনর্জি অশোক অপন নংখিবনি।

মীখল মনুংদা এ দি জি সিক্যুরিটি ওইনা মথৌ তৌখিবা গ্যানৱান সিংহসু হান্নগী ফম অসিদা হঞ্জিলহনবগা লোয়ননা অহেনবা রেস্পোন্সিবিলিটি ওইনা আর্মদ পুলিসকী আই জি পি অমসুং এ দি জিগী চার্জসু শিন্নখ্রে।



# ফেসন দিজাইনর ৱাবি কোভিদনা নাবদগী লৈখিদ্রে

অগ্রা, মে ০৬ (এজেন্সী):
অগ্রাদা লৈবা ফেসন দিজাইনর শর্দা ৱাবি জয়পুরিয়া সনরাইজ কোলোনিদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা লৈখিদ্রে। মহাক্না লৈখিদবা অসি কোভিদ-১৯ নাবদগীনি হায়না থাজনরি।

মপুরোইবা অমসুং মচানুপা অনী দুবাইদা লৈখিবদগী মহাক য়ুমদা মথন্তা লৈরকখি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পুলিসতা অয়াবা পীবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পুলিসনা মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

এক্তা চাউকি ইন-চার্জ সাইলেন্দ্র চৌহাননা ফোঙদোরকপদা, মহাক মচানুপা অর্জুননা ওথোরিটি লেটর অমা থারকখিবা মতুংদা কোভিদ প্রোটোকোলশিং ঙাকপগা লোয়ননা মহাক্কী হকচাং হিন্দুগী চৎনবী মতুং ইন্না ঐখোয়না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

মালেম্না খঙনরবা দিজাইনর অমা ওইরিবা ৱাবিনা কে আর শর্দা ফেসন হাওস অমসুং এন জি ও অমা লিংখৎখি। মহাক মালেমগী তোঙান তোঙানবা ফেসন সোশিংদা শরুক য়াখি।

ইমুং মনুংগী অপাম্বা মতুং ইন্না মহাক্কী হেল্পর বচো বারিসু অরোইবা পোলোইবদা শরুক য়াখি। পোলোইবগী থৌরম অদু ইমুংগী মীওইশিংনসু জুমগী মতেংনা উখি। মচানুপাশিংনা মহাক্কী উৎ হেল্পর বারিদা শিন্নবা পুলিসতা হায়জখি।

সিটি অসিগী এস পি বোত্রে রোহন প্রমোদনা ফোঙদোরকপদা, মহাক (ৱাবি) কোভিদ-১৯ নারম্বা য়াই হায়না থাজনৈ। থংনবা মীওইশিংনা ময়ুমদা চঙখিদে নৎত্রগা মহাক্কী মশাদা শোকখিদে।

# নুমিৎ ২২নিগী মনুংদা ইমুং অমগী মীওই মঙা লৈখিদ্রে

গোন্দা, মে ০৬ (এজেন্সী):
পরিং নাইনা থোক্লকখিবা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোকশিংদা ইমুং অমগী মীওই মঙা নুমিৎ ২২নিগী মনুংদা লৈখিদ্রে। মীওইশিং অদু কোভিদ-১৯না নাবদগী লৈখিদবনি। অদুম ওইনমক, ইমুংগী মীওইশিংনদি লৈখিদবা মীওইশিং অদু এন্টিজেন্ট টেষ্টশিং পাঙথোকপদা নেগেটিভ ওইবা মরম্না কোভিদ-১৯না শিহনখিবনি হায়বসিদা থাজবা ঙমদে।

অদুমওইনমক, মখোয় লোইনমক শাথিরবা নোবেল কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী লাইওংশিং উৎখি। মীওই মঙা থংন-থংননা নুমিৎ ২২নিগী মনুংদা শিখিবগী থৌদোক অসি উত্তর প্রদেশকী গোন্দাদা লৈবা চাক্রৌতা ভিলেজগী অঞ্জানি স্রিভাষ্টব কৌবা অমগী ইমুংদা থোকখিবনি।

অঞ্জানিগী ময়াম্বা হনুমান প্রসাদ এপ্রিল ২দা শিখি। মহাক চহী ৫৬ শুখ্রে। ফেমিলি সোর্সশিংনা ফোঙদোরকপদা, হনুমান প্রসাদ শ্বর হোনবা নুংঙাইরকখিদে অমসুং মেদিকেল ত্রিটমেন্ট পীদ্রিঙৈ মমাঙদা শিখি। অঞ্জানিগী চহী ৭৫ শুরবী মমা মাধুরি দেবীসু হৌখিবা এপ্রিল ১৪দা খঙহৌদনা শিখি।

ইমুং মনুংনা ফোঙদোকখিবদা, অঞ্জানিগী মমা মাধুরিনা লৈখিদবা অসি মহাক্কী মচানুপা অহল লৈখিদবগী অৱাবা খাংবা ঙমদবদগীনি। মাধুরি দেবীগী মশুনুপা সৌরব মবোক লৈতবগী পাউ তাবদা ময়ূমদা লাকখি। মহাক পরিয়াগ্রজদা মহৈ তম্লিবনি।

মহাক জোন্দিস নাখি অমসুং মহাক্কী ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী মহাক গোন্দাদা লৈবা নর্সিং হোম অমদা এদমিট তৌখি। মহাক এপ্রিল ১৬তা লৈখিদে। সৌরাবকী মমা-মপাসু মচানুপা লৈখিদ্রবা মতুংদা নারকখি। মখোয় অনীমক নর্সিং হোম অমদা এদমিট তৌখি। মখোয় ওক্সিজেন সপোর্ট পীরগা থমখি। তৌইগুম্বসুং এপ্রিল ২২দা সৌরবকী মমা উষা স্রিভাষ্টব (৪১) মখা তানা লায়েংবা ঙমদনা শিখি।

মশাগী চহী ৪৫ শুরবা মহাক্কী মপুরোয়বা অস্বিনি স্রিভাষ্টবসু এপ্রিল ২৪দা শিখি। মখোয় অনীমক লাইহৌ কন্না হৌখিবা ওইরবসু কোভিদ টেষ্টতা নেগেটিভ ওইখি।

মফম অদুগী বি জে পিগী লুচিংবশিংনা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদুগী মতাংদা খঙলকপদগী মখোয়না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্দা মীশিশিং অদুবু থিজিন্নবা তকশিনখি। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলশিংনা অঞ্জানি স্রিভাষ্টব কন্টেক্ট তৌদুনা ৱারী শানবা মতমদা মহাক ইমুংগী মীওইশিং অদু নেচরেল ওইবা মওংদা শিখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

চৈরক অসিদা ছোর্স খরনা হায়রি মদুদি, ইমুংগী মীওইশিংনা কোভিদকী ষ্টিকমা কিবদগী মীওই মঙা অদু নেচরেল ওইবা মওংদা শিখিবনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি। মখোয় টেষ্ট তৌবদা কোভিদ নেগেটিভ ওইবা মরম্না কনামত্তনা মখোয়গী ক্লেমদা শীংনবা ঙম্লোই হায়না লোকল মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

# কেরেলাদা কোভিদ কেস ৱাংখৎলকপদগী টোটেল লোকদাওন থম্লগনি



থিরুভানন্থপুরম, মে ০৬ (এজেন্সী):
মমাঙদা থেংনখিদ্রিবা মওংদা কোভিদ পোজিটিভ কেস লেপ্তুনা হেনগৎলকপদগী কেরেলাদা থাংজ নুমিত্তগী মে ১৬ ফাওবা টোটেল লোকদাওন চৎনরগনি হায়না শগোলশেন নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজায়নগী ওফিসনা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা ইনফেক্সন কা-হেন্না ৱাংলক্লিবদু য়েংদুনা টোটেল লোকদাওন নত্তনা অতোপ্পা ওপসন লৈতে হায়বসি ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর এ কে সসিন্দ্রননা কনফর্ম তৌখি। মসিনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি। মসিনা ঐখোয় খূদিংমকপু কান্নহল্লগনি। মীপূম খূদিংমক্না মসিবু ঙাক্তুনা য়ুমদগী হেন্দোক্লৈইদবনি।

কেরেলা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল ওফির্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বিজয়া কৃষ্ণননা হায়, ষ্ট্রিক্ট লোকদাওন নত্তনা লাইচৎ লাকশিন্নবগী অতৈ পাম্বৈ লৈতে।

আই এম এ টেষ্ট ৱিংনসু অকনবা প্রোটোকোলশিং চৎনহনবা পামখি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা ওল পার্টি মীটিংদা মতম খরা ঙাইনবা অমসুং টোটেল লোকদাওন লাউথোক্তনবা ৱারেপ লৌখি। বিজয়াকৃষ্ণননা হায়, হন্দক্কী লোকদাওন অসি কেস মশিং য়ামখিদবা মমাঙ চহীদা লাউথোকখিবা লোকদাওন অদুগা খেন্নে। হৌজিক্তি নুমিৎ খূদিংগী ইনফেক্সন মশিং মীপাইনিংঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলক্তুনা কোভিদ-১৯গী ফিভম লুরে। লোকদাওন অসিনা অনৌবা কেসশিং হন্থহনবদা মতেং পাংলগনি।

কোভিদ কেস হেনগৎলকপগী মতাংদা নুংনাংবা উৎলদুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর বিজায়ননা হায়খি মদুদি, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা সেম্পল ১,৬৩,৩২১ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৪১,৯৫৩ পোজিটিভ ওই। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টি পি আর চাদা ২৫.৬৮ ওইখি অমসুং ষ্টেট অসিগী অপূনবা এক্টিভ কেস মশিং ৩,৭৫,৬৫৮ নি অমসুং হৌজিক ফাওবদা লায়েংবদগী ফবা মী মশিং ১৩,৬২,৩৬৩ শুরে।

হৌখিবা থা লোইরকপদগী লৌখিবা অহানবা খোঙথাংদা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎশিং পার্সিএলদা লোকদাওনগা মান্নখি অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী ফিভম অসি অতৈ নুমিৎশিংদসু লৈহনখি। শগোলশেন নুমিত্তা টোটেল লোকদাওনগী ৱারেপ অসি লৌখি।

# মেদিকেল ইক্কিপমেন্টকা কোন্ননা ২ ফারে

কানপুর, মে ০৬ (এজেন্সী):
মীওইবগী থৱায় কনবদা শীজিন্নবা মেদিকেল ইক্কিমেন্ট অমসুং কোভিদ পেসেন্টশিংগী লায়েংদা তঙায় ফদনা চঙবা হীদাক-লাংথক কয়া ব্লেক মার্কেটিং তৌবগী মায়োক্তা পুলিসনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা কেম্পেনগী শরুক ওইনা উত্তর প্রদেশকী কানপুর সিটিদা পুলিসনা মীওই অনী ফাবগা লোয়ননা মখোয়দগী য়াম্লবা মেদিকেলগী খূৎলায়শিংসু ফাগৎখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পুলিসনা থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী মফম কয়াদা রেইদ চথখি। নাথ নগরদা লৈবা অসিস এলিয়স সোনুগুপ্ত অমসুং গিলিস বজার এরিয়াদা লৈবা রাকেশ মেহরা ফাখিবগা লোয়ননা মখোয়দগী ওক্সিমিটর ২৫০, ওক্সিজেন ফ্লো-মিটর ৯৮, দিজিটেল থর্মোমিটর ২২৬, মর্ক্যুরি থর্মোমিটর ৩৪, কোভিদ টেষ্ট ৮৭৫ অমসুং ওক্সিজেন মাস্ক ৪ রিকোভর তৌখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দি সী পি ক্রাইম ব্রাঞ্চ সলমান তাজ পাতিলনা ফোঙদোরকপদা, আসিস অমসুং রাকেশনা কোভিদ লায়েংবদা শীজিন্নবা মেদিকেল ইক্কিপমেন্ট প্রিন্টতা য়াওবা মমলশিংদগী শরুক ৬তগী ৭ ফাওবা হেনগৎনা য়োল্লে হায়বা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী ক্রাইম ব্রাঞ্চ য়াওবা জেইন্ট টিম অমনা রেইদশিং চথখিবনি।

# ওনলাইনদা ওক্সিজেন বূক তৌবা য়ারগনি

ন্যু দেল্লী, মে ০৬ (এজেন্সী):
হোম আইসোলেসন তৌরিবা দেল্লীগী কোভিদ পেসেন্টশিংনা ওনলাইন বূক্কিংগী খূত্থাংদা থৱায় কনবা ঙম্বা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং থিজবা য়ারগনি। নেসনল কেপিটেলদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী দিমান্দ হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরকসিদা মরী লৈনবশিংদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অয়েৎ-অপন লৈতনা ফংহন্নবগী অনৌবা সিষ্টেম অমা শেল্লে হায়না শগোলশেন নুমিত্তা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

দেল্লী গভর্ণমেন্টকী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা শগোলশেন নুমিত্তা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা হোম আইসোলেসন তৌরিবা মীওইশিংদা ওক্সিজেন ফংহনবগী ইস্যু অসি য়েংশিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংদা দিরেক্সন পীখি। দেল্লী গভর্ণমেন্টকী নোটিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না ওক্সিজেন মথৌ তারিবা মীওইশিংনা নৎত্রগা মখোয়গী মরী-মতাশিংগীদমক্তা ওক্সিজেন পাম্লিবা মীওইশিংনা অখন্নবা পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি।

# টামিল নাদুগী ষ্টরলাইট প্লান্ট চয়োল অমগী মনুংদা ওক্সিজেন পুথোকপা হৌরগনি

চেন্নাই, মে ০৬ (এজেন্সী):
টামিল নাদুগী তুতিকোরিনদা লৈবা ৱাথোক ওইরবা ষ্টরলাইট প্লান্ট অমুক হন্না মথৌ তৌদুনা চয়োল অমগী মনুংদা ওক্সিজেন পুথোকপা হৌরগনি।

প্লান্ট অসি মীয়াম্না অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখিবদগী থিংজিনখিবনি। তুতিকোরিন দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টর কে সেন্থিল রাজনা মোনিটরিং কম্মিটিগী অতৈ মেম্বর ৬কা লোয়ননা প্লান্ট অদুবু ইন্সপেক্সন তৌখি। কম্মিটি অদু সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্টিভ মতুং ইন্না টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা শেমখিবনি।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা কে সেন্থিল রাজনা হায়, মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌবদগী থিংজিল্লুরবা ষ্টরলাইট প্লান্ট চয়োল অমগী মনুংদা মথৌ তৌবা হৌদুনা ওক্সিজেন পুথোকপা হৌরগনি। টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা মোনিটরিং কম্মিটিনা প্লান্ট অসি মপূং ফানা ইন্সপেক্সন চথখ্রে।

ষ্টরলাইট ওক্সিজেন প্লান্ট অসিনা নোংমদা ওক্সিজেন টন ১০৫০ পুথোকপা ঙম্মী। মীয়াম্না চথরকখিবা এন্টি-ষ্টরলাইট প্রোটেষ্টরশিংদা মীশি-মীনা য়াওরকপদগী কুমজা ২০১৮গী মে ২২দা প্লান্ট অসি থিংজিনখি। প্রোটেষ্টশিং অদুদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ১৪গী পুন্সি লোমখি।

সাওথ ইন্দিয়াগী ফিল্ম ষ্টার বিজয় সেথুপতি, মদ্রাস হায় কোর্টকী হান্নগী জজ জষ্টিস দি হরিপরনথমন অমসুং মনোনমিনিয়ন সুন্দারনর য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর ভি বসন্থি দেবীনা চীফ মিনিষ্টর ওইরগদবা এম কে ষ্টেলিনগা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা উন্নখি অমসুং মঙোন্দা তুতিকোরিনগী ষ্টরলাইট প্লান্ট অমুক হন্না হাংদোকপীনবা তকশিনখি।

টামিল নাদুগী ইনভাইরনমেন্টেল এক্টিভিষ্টশিংনা ষ্টরলাইট কোপ্পর প্লান্ট অসিগী মায়োক্তা কন্না প্রোটেষ্ট তৌখি। ওক্সিজেন সপ্লায় তৌনবগী মিংদা প্লান্ট অদুবু অমুক হন্না হাংদোকপা হায়বসি কোপ্পর স্মেল্টর প্লান্ট অসি বেকদোর লোমদগী হাংনবগী খুদোংচাবা লৌবগা মান্নগনি।

অমরোমদা, সিভিল সোসাইটি এক্টিভিটিষ্ট কাঙবু অমনা চীফ মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা এম কে ষ্টেলিনগা উন্নদুনা তুতিকোরিনগী ষ্টরলাইট প্লান্ট অমুক হন্না হাংদোকহন্দনবা তকশিনখ্রে। মখোয়না প্লান্ট অদুদা নত্তনা দেল্টা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা রিফাইনিং অমসুং প্রোসেসিং য়াওনা হাইদ্রোকার্বোনগী এক্টিভিটি খূদিংমকসু থিংজিন্নবা তকশিনখি।

